# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




অমকিলগী এদভাইজর ওইরম্বদা নত্তনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ফৌওইবী সেদ নম্বর ৩গী সেক্রেটরি ওইরম্বী লৈখিদ্রবী পাওনম ইবেমুগীদমক লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইফমদা লাংবন হৈশোই তমখিবা


লৌশিং পূক্কে : অমুবা মচুগী কেন্সর মসিদগী ঐখোয়না... লামায় ২

লামায় ৪ ওরাং হায়বা ৱাগা ঙসি হায়বগা ইমান মান্নদবা

ইমা লৈবাক কন্নবগীদমক মনুংসু-মপানসু পূনশিল্লসি লামায় ৫

লামায় ৬ মণিপুর তম্পাক্কী ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর ...

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেররিজমগী থৌওং লাকশিনবা ঙমদ্রিঙৈ... লামায় ৯

লামায় ১২ মিজোরাম মায়থীবা পীরম্লগা মণিপুর ...


কোকোমিনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা লৈবা স্কুল অমগী পীক্লিবা মহৈরোয়শিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাউখিবা




Vol. 48, Issue No. 155 | থাংজ, লাংবনগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, September 07, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মণিপুরগী লান : তম্পাক্কী মীওইশিং কোম মনুংদা হিংনবা লোৎপনা ফরগদ্রা

## কুকি টেররিষ্টশিংনা মোইরাংদা 'বেল্লিষ্টিক মিসাইল' কাপশিল্লকপদা ৫নি লৈহুনগী হৈরুক শেম্বা অরাংফম অহল শিরে, ৬ শোক্লে

## ত্রোংলাওবীদা রোকেট অমসুং বোমগী নোং চুহল্লকখ্রে, য়ুম য়াওনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে, থম্নাপোকপীদা নোংমৈ কাপ্লকখ্রে

## খোইশাওনরবশিংনা ৭-এম আর অমসুং ২-এম আর বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদগী নোংমৈ লৌনবা হোৎনরকপদা ঙাকথোক্লবা নোংমৈ কাপখ্রে







কুকি টেররিষ্টশিংনা 'মেকসিফ্‌ট বেল্লিষ্টিক মিসাইল' কাপশিল্লকপদগী তারগা পোকখায়খিবা মফম, ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংনা পুলিসকা লোয়ননা মিসাইলগী প্রোজেক্টাইল য়েংশিনখিবা অমসুং মাঙ্গোলদা হৈরুক শেম্লিঁঙৈদা বোম মচেৎনা পানবদগী লৈখিদ্রবা অরাংফম, মহাক্না হিংলিঙৈগী ফোটো (ইন্সেট)

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদবগী এটেকশিং কৌত্রুক-কদাংবন্দ খক্তদা নত্তনা সেকমাই অমসুং সিনাম খুলদা ফাওবা চত্থরকখ্রবা মতুং ঙসি 'মেকসিফ্‌ট বেল্লিষ্টিক মিসাইল' অমা মোইরাং কৈথেল তম্না কাপশিল্লকপদা লাম্থোল্লগা মোইরাং মাইরেনবম লৈকায়দা লৈবা লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মাইরেম্বম কোইরেংগী শুমাংদা পোকখায়বদগী ইমুং অসিনা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা মঙানি লৈহুন থৌরমগী হৈরুক শেম্বা অরাংফম ওইবা অহল অমা বোম মচেৎনা পান্দুনা ইমুং অসিগী মাঙ্গোলমক্তদা লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে অদুগা অতোপ্পা নুপী অনী য়াওনা মীওই ৬ শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। বোম মচেৎনা পানবদগী লায়কন্নবা নংদনা ফম্লগা হৈরুক শেম্লম্বদগী লৈখিদ্রবা অরাংফম অহল অদুগী মমিং আর কে রাবৈ (৭৯) কৌই, মোইরাং ফিব্রাংবম লৈকায়দগীনি। অদুগা থৌদোক অসিদা শোক্লবশিংনা মোইরাং সেন্দ্রা লম্বীদগী সলাম ননাও (৪০) অপোকপা এস খেরবাবু, মাইরেম্বম লৈকায়দগী সেলিনা মাইরেনবম (১৩) অপোকপা এম রাজু, লৈকায় অসিমক্তগী রজিব মাইরেম্বম এলিয়জ বোবো (৫৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম খেলেন্দ্রো, মোইরাং ওকশোংবুং লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম জুগিন্দ্রো (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে জুগেশ্বর অমসুং লৈকায় অসিদগী ঙাংবম ইবোবী (৬৫) অপোকপা এন জি বাবু অমসুং মোইরাং মাইরেম্বম লৈকায়দগী মাইরেম্বম সঙ্গিতা (৫০) মপুরোইবা এম রাজু এলিয়জ জপাননি।

থৌদোক থোকফমদা লৈরমখিবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মপাঙ্গল কল্লবা হায়লি ইমপ্রোভাইজদ্‌ দেষ্টক্ট্রিভ রোকেট (মিসাইল) অদু মোইরাং ঙাক্ষ্ম লৱায়গী মনীং থংবা শরুক্তা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা কুকি খুলদগী কাপ্লকপা ওইরমগনি হায়রি।

রোকেট অদু ইমপ্রোভাইজদ্‌ ওইবনা য়াম্না মপাঙ্গল কনবগা লোয়ননা বোম পোকখায়ফমগী মনাক্তা লৈবা চেকপল অমা ফাওবা নীংখাইখি। কুকি টেররিষ্টশিংনা মিসাইল/রোকেট অসি কাপশিল্লক্তুনা অশি অনা থোকহল্লবসু লৈঙাক্না তূমিন্না লৈশিল্লি হায়দুনা পেন্দ্রবা অমদি খোইশাওনরবা মীয়াম্না মোইরাং লমখাইদা লম্বী থিংদুনা লৈখিদ্রবা অরাংফম রাবৈগী হকচাং পুখিবা য়ারোই, লৈঙাক মপুশিং লাক্লগা লৌরগদবনি হায়বা য়াওনা হকচাং অদু চীফ মিনিষ্টরনা লৌগদবনি হায়দুনা মোইরাং লমখাইদা লৈবা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পস মনুংদা লৈখিদ্রবগী হকচাং পুরগা থোরকখিবা এম্বুলেন্স অদু থৌজিলহন্দুনা মখা তানা চৎহনখিদে। পাউ অসি ইবা ঙসি নুমিদাং ফাওবদা লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু মফম অদুদগী ইম্ফাল তম্না পুখৎহনখিদ্রি হায়রকখি।


হকচাং অদু পুবা য়ারোই, লৈঙাক মপুশিংনা লৌরগদবনি হায়রদুনা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তগী অমনা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৪.৩০ তারকপা অদুৱাইদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীচম মীয়ামগী য়ূমদা বোম কাপশিল্লকপদগী মীয়াম মীপাইদুনা লৈনরিঙৈগী চৈরক্তা মোইরাং মাইরেম্বম লৈকায়দা লৈবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এম কোইরেংগী য়ূমদসু অমুক লৈবাক অমগা অমগা লান শোক্লবদা শীজিন্নগদবা খূৎলায় ওইরিবা মিসাইল/রোকেট ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মহৈশঙ পূম্নমক ঙসি ছুটি থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা ঙসি থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি য়েংলগা মহৈরোয় অমদি ওজাশিংগী শাফনবগীদমক লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিং, গভর্ণমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ট্রেল স্কুল পূম্নমক হয়েং (সেপ্টেম্বর ৭,২০২৪) দা ছুটি ওইরগনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম খুদোংথিনীংঙাই ওইরে : মোহন ভগৱট



**ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসি খুদোংথিনীংঙাই ওইরে অমসুং মীয়াম শাফবগী ফীভম লৈত্রে হায়না রাষ্ট্রিয় শ্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) গী মকোক থোংবা লুচিংবা মোহন ভগৱটনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়দা করি থোরক্কদগে হায়বগী মতাংদা নীংজিং-মাঙজিংনরে। মণিপুরদা লল্লোন ইতিক্কী নৎত্রগা সোসল ৱার্ককীদমক চৎখিবশিংদসু ফীভম অসিনা হেন্না খুদোংথিহল্লে। অদুবু মণিপুরদা শঙ্ঘগী ভোলন্টিয়রশিং চেকশিন্না লৈরি।

ৱাফম অসি 'ভয়াজি' হায়রগা হেন্না খঙনবা সঙ্কর দিনকর কানেগী চহীগী থৌরম অমগী ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি। ভয়াজি অসি কুমজা ১৯৭১ ফাওবা মণিপুরগী অঙাংশিংগী এদ্যুকেসনদা মীৎয়েং থমদুনা মণিপুরদা থবক তৌরমখিবা মীওইনি। মহাক্না মণিপুরগী মহৈরোয়শিংবু মহারাষ্ট্রদা পুরক্তুনা মহৈ-মশীন তমহনখি অমসুং লৈফম-চাফম ফাওবা পীখি হায়না শীংথাখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মীওই ১ মখোঙদা কাপ্লল্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা ৱাঙুগী নাপাচীংদা শকখঙদবশিংনা মীওই অমা য়েৎথংবা খোঙদা নোংমৈ মরূ অমা কাপশিল্লল্লে হায়রি।

থৌদোক অসিদা শোক্লবা মীওই অদুগী মমিং মৈস্নাম অথি কৌই, ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দগীনি হায়রি। মহাকপু ৱাঙু লাইফম মৈরা পায়বীশিংনা ৱাঙুগী পি ঐচ সীদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। অদুবু মহাকপু করিগীদমক নোংমৈনা কাপ্লল্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## কোকোমিনা পব্লিক ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে মহৈশঙশিং মতম কক্তনা থিংজিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** কোকোমিগী কোওর্দিনেটর টি ঐচ সোমোরেন্দ্রোনা লুচিংবা টিম অমসু ঙসি মোইরাংগী 'হাইলি ইমপ্রোভাইসদ্‌ দেষ্টক্টিভ রোকেট' পোকখায়ফমদা য়েংশিনবা লাকপগা লোয়ননা কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোনদগী বোম থারবা মতুংদা অসিগুম্বা মখলগী রোকেট অমুক কাপশিল্লকপসিনা মীয়ামগী পুন্সি শাফদ্রে হায়রদুনা খুদক্তগী মতম কক্তনা পব্লিক ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

থৌদোক থোকফমদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী মীয়াম য়েংবীদ্রে, ঐখোয়বু কনবীরোই অদুগা মণিপুর লৈঙাক্নসু কনবা ঙম্লোই। মরমদি পৱার খুদিংমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফাজিনখ্রে হায়খি।



ঙসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোকোমিগী খোঙজং : মণিপুর লৈঙাক্কী পাঙদবগী থৌওং য়ানীংদে হায়বা খোল্লাওনা তম্পাক্কী মফম পূম্নমক পুমনিল নিলখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১গী নুংথিলদগী হৌরক্লগা নুমিদাং অমসুং নোংয়াই মতুং ফাওবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা কৌত্রুক, কদাংবন্দদা দ্রোন শীজিন্নদুনা বোম থাদরকপদগী মীশি মীনা য়াওহনখ্রবা মতুং নুমিৎ অদুগী নুমিদাংৱাইরমদনা সেকমাইদা এটেক তৌরকখিবা অমসুং সিনাম খুল অমদি য়াইঙংপোকপী-থম্নাপোকপীদসু অকনবা লান চত্থরকখিবগী মায়োক্তা ঙরাং কোকোমিনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা লাউখিবা 'মণিপুর লৈঙাক্কী পাঙদবগী থৌওং য়ানীংদে' হায়বা খোল্লাওনা তম্পাক্কী মফম পূম্নমক পুমনিল নিলখ্রে।




ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পীক্লিবা মহৈরোয়শিং য়াওনা মরু ওইনা নুপী মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজংদা লাউখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


ON 14th SEPTEMBER 2024, 2nd SATURDAY

Resolve your court cases & other legal matters through

National Lok Adalat



Lok Adalat is also known as People's Court where parties have an opportunity to directly take part in the resolution of the disputes amicably. Formal rules of procedures and evidence are not applied.

A settlement through a Lok Adalat is completely voluntary and is a final settlement of your case. There is no appeal against the decision of a Lok Adalat. It is absolutely free.

Whom to contact?

| | |
|---|---|
| MASLSA | :+91-9436239666 |
| HCLSC | :+91-6009904973 |
| Imphal West | :+91-6009904967 |
| Imphal East & Jiribam | :+91-6009904974 |
| Thoubal & Kakching | :+91-6009904965 |
| Bishnupur | :+91-6009904968 |
| Churachandpur & Pherzawl | :+91-6009904970 |
| Ukhrul & Kamjong | :+91-6009904972 |
| Senapati & Kangpokpi | :+91-6009904969 |
| Chandel & Tengnoupal | :+91-6009904966 |
| Tamenglong & Noney | :+91-6009904971 |

CASES SUITED FOR LOK ADALAT

- Cases under Section 138 NI Act
- Land Acquisition cases pending before courts/tribunals
- Money/Bank Loan Recovery
- Family Maintenance Cases
- Electricity, Water Bills and other bill payments (excluding non-compoundable)
- Criminal Compoundable Offences
- Motor Accidental Claims
- Labour, Employment and Service Matters
- Matrimonial disputes (except divorce)
- Other civil cases
- Revenue cases

Issued in public interest by:
Manipur State Legal Services Authority
Under the aegis of National Legal Services Authority
ADR BUILDING, LAMPHEL COURT COMPLEX, LAMPHELPAT-795004
+91-9436239666 maslsa.imphal@gmail.com

HL-B/9043/7.8